# য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ইতিহাসিক ওইরবা বিল এসিষ্টেদ রিপ্রদক্টিব টেক্নোলোজি বিল অয়াবা পীখ্রে




***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ২২(এজেন্সি)ঃ***
য়ুনিয়ন কেবিনেটনা লৈবাক অসিদা নুপীশিংবু য়াইফনবগীদমক ইতিহাসিক ওইরবা বিল অমা–দ এসিষ্টেদ রিপ্রদক্টিব টেক্নোলোজি রিগুলেসন বিল ২০২০ অয়াবা পীখ্রে।

মসি পার্লিয়ামেন্টতা সরোগেসি রিগুলেসন বিল ২০২০ পুথোকখিবা অমসুং মেদিকেল টর্মিনেসন ওফ প্রেগ্নেন্সি এমেন্দমেন্ট বিল ২০২০ অয়াবা পীখিবা অদুগী মথঙদা চত্থরকখিবনি।

গর্ভর্মেন্ট ওফিসিয়েলশিংগী মতুং লেজিসলেটিবকী খোঙথাংশিং অসি নুপীশিংগী রিপ্রদক্টিব রাইটস ঙাক্নবা অনৌবা অফৰ খোঙথাংশিংনি হায়রি।

লিখুলশিংগী মতুং ইন্না, বিল অদু পার্লিয়ামেন্টনা হেক পাস তৌবগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এক্ট অদু থবক চৎনবা হৌনবগী মতম অদু নোটিফাইদ তৌগনি। মদুগী মথঙদা নেসনেল বোর্দ শেমগনি। নেসনেল বোর্দ অদুনা ফিজিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর, লোবোরেটরি অমসুং দাইগ্নোষ্টিক ইক্যুপমেন্ট অমসুং ক্লিনিকশিং অমসুং বেঙ্কশিংনা থবক পীরিবা এক্সপার্ট মেনপৱারনা চিংবগী মিনিমম ষ্টেন্দরদস থন্নবা ক্লিনিকশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা চৎকদবা কোর্দ ওফ কন্দক অদু শেমগনি হায়না গভর্ণমেন্টতগী থোকপা চেরোল অদুনা হায়রি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা নোটিফিকেসন থোকখিবা থা ৩গী মনুংদা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা ষ্টেট বোর্দশিং অমসুং ষ্টেট ওথোরিটিশিং শেমগনি।

ষ্টেট বোর্দশিং অদুনা ক্লিনিকশিং অমসুং বেঙ্কশিংগীদমক নেসনেল বোর্দ অদুনা শেমলকপা পোলিসিশিং অমসুং প্লানশিং ইনগনি অমসুং থবক্তা ওন্থোক্কনি।

বিল অসিনা সেন্ট্রেল দাটাবেজ অমা থন্নবা অমসুং নেসনেল বোর্দ অদুগী থবক পাংথোকপদা মতেং পাংনবা নেসনেল রেজিষ্ট্রি অমসুং রেজিসট্রেসন ওথোরিটি অমা থন্নবসু হায়রি।

সেক্স সেলেক্সন চত্থবা, হ্যুমেন এম্ব্রিওশিং নৎত্রগা গেমেটশিং য়োনবা, অসিগুম্বা আইননা য়াদবা থবকশিং অসিগীদমক এজেন্সিশিং, রেকেটশিং নৎত্রগা ওর্গনাইজেসনশিং চল্লাইবশিংবু অকনবা চৈরাক পীনবগী ৱাফমসু বিল অসিনা হায়রি।

এক্ট অসিগী মরুওইবা কান্নবদি লৈবাক অসিদা এসিষ্টেট রিপ্রদক্টিব টেক্নোলোজি সার্ভিসশিংবু মসিনা রিগুলেট তৌগদৌরিবা অদুনি। মসিনা মরম ওইদুনা ইনফর্টাইল ওইরবা মতৈ–মনাওশিংবু এ আর টি শিংদা ইথিকেল প্রাক্টিসশিংদা হেন্না থাজহল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতগী থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নুপীশিংগী রিপ্রদক্টিব রাইটস ঙাক শেন্নবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীবা লেজিসলেসন কয়াগী মনুংদা এসিষ্টেট রিপ্রদক্টিব টেক্নোলোজি রিগুলেসন বিল ২০২০ অসিনা খ্বাইদগী অনৌবনি।

বিল অসিগী খূৎথাংদা নেসনেল বোর্দ, ষ্টেট বোর্দশিং, নেসনেল রেজিষ্ট্রি অমসুং ষ্টেট রেজিষ্ট্রেসন ওথোরিটিশিংনা মথঙশিংনা এসিষ্টেদ রিপ্রদক্টিব টেক্নোলোজি ক্লিনিকশিং অমসুং এসিষ্টেদ রিপ্রদক্টিব টেক্নোলোজি বেঙ্কশিং রিগুলেট তৌগনি অমসুং সুপরভাইজ তৌগনি।

# পি এম কিষান স্কিম মখাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংদা লুপা ক্রোর ৫০,৮৫০ পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ২২(এজেন্সি)ঃ***
সেন্টরনা মখোয়গী শীংথানিঙাইগী মশক ওইরবা পি এম কিষান স্কিমগী মখাদা লৌমীশিংবু লৌউ–শীংউগী অচঙমন অমসুং ইমুং–মনুংগী খরচশিং পুবা ঙমহন্নবা হৌজিক ফাওবদা লৌমীশিংদা লুপা ক্রোর ৫০,৮৫০ য়েন্থোকখ্রে হায়না লৈঙাক অসিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী চহী ১ ফারক্কদবা ফেব্রুৱারি ২৪গী মাঙওইননা এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিনা স্কিম অসিগী মখাদা পাংথোকখিবা খূৎমাঙ চাওশিনবা অদু ফোঙদোকখি।

পি এম কিষান স্কিম অসি উত্তর প্রদেশকী গোরখপুরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌখিবা চহী ফেব্রুৱারি ২৪দা হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা ইনকম হেন্না ৱাংবা থাক্কী মীওইশিং য়াওহন্দনা লৌমীশিংগী বেঙ্ক একাউন্টকী খূৎথাংদা হকথেংননা চহীদা লুপা ৬,০০০কী শেনফম অমা চপ মান্নবা ৩ থোক্না সেন্টরনা ট্রান্সফর তৌই।

প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্মান নিধি (পি এম কিষান) হায়না কৌবা অনৌবা সেন্ট্রেল সেক্টর স্কিম অমা হৌখিবা অদু ফেব্রুৱারি ২৪, ২০২০দা চহী ১ ফারে হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২০ ফাওবদা লৌমী ইমুংশিংদা লুপা ক্রোর ৮.৪৬কী কান্নবা পীখ্রে। স্কিম অসি দিসেম্বর ২০১৮দগী চৎনবা হৌখি।

স্কিম অসিদা কান্নবা ফংবা য়াবা খনগৎনবগী মতম ফেব্রুৱারি ১, ২০১৯ ওইখি। বিনিফিসরি খনবগী থবক পুম্না ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি গভর্ণমেন্টশিংগীনি। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না পীরিবা থাজবদি মসি মীওই অদুগী আধারগা লিঙ্ক তৌনবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদা হকথেংননা পীবা অসিনি।

ইনাকখুনবা ইমুংশিং, খুদম ওইনা হৌখিবা চহীদা ইনকম টেক্স থীবশিং, থা অমদা য়ামদ্রবদা লুপা ১০,০০০ ফংবা পেন্সিনরশিং, ডোক্টর, ইঞ্জিনিয়ার, লোয়র, চার্টর, এক্কাউন্টেন্টচিংবা প্রেফেসনেলশিং স্কিম অসিনা কোন্সিন্দে।

# আনন্তনাগতা খূৎ থোক্নবদা টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে

***শ্রীনগর, ফেব্রুৱরি ২২(এজেন্সি)ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী আনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা টেরোরিষ্টশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা ঙরাং নুমিদাং নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা লাস্কর–ই–টইবা (এল ই টি) টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

অমরোমদা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা ঙরাং নুংথিল পুং ১.৩০ রোমতাবদা পাকিস্টাননা নোংমৈ মচাশিং অমসুং মোর্টার সেলশিং কাপশিল্লক্তুনা সিজফয়ার থুগাইরকখ্রে।

ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনসু খূৎ হনবদগী নাকন অনী মখা তানা পুং কয়া নোংমৈ কাপ্নখি হায়না সেক্যুরিটিগী লিখুল অমনা হায়খি।

নুমিৎ অসিগী নুমিদাংদা খা কাশ্মিরগী বিজবেহরা এরিয়াগী সঙ্গমদা নোংমৈ কাপ্নখি। নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা সেক্যুরিটিনা হাৎপা ঙমখ্রবা টেরোরিষ্টশিং অদুদি কুলগামগী কাইমোহোদা লৈবা নবীদ অহমদ ভত এলাইজ ফরকান অমসুং কুরগামগী ৱানপোরা কায়মোহাদা লৈবা আকিব য়াসিন ভত কৌই হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস দিলবগ সিংহনা মফম অসিদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অকিব য়াসিন ভত জুন ২০১৯দগী লূপ অদুদা য়াওখিবনি অমসুং টেররগী থৌদোক কয়ামরুমদা চেন্নে হায়না দি জি পিনা হায়খি। মহাক্কী মথক্তা রেজিষ্টার তৌবা এফ আই আর ৭ লৈ।

নোংমৈ কাপ্নবা অদু নুমিদাংদা থোকখিবনি অমসুং কাপ্নফম অদুদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎলাই অমসুং নোংমৈ মরু খরা ফংখ্রে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা মশানা মশাবু হিজবুল মুজাহিদিনগী কম্মান্দরনি হায়জবা জুনাইদ ফরুক পন্দিত কৌবা মীওই অমা বরামুলা দিষ্ট্রিক্টতগী ফারে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ান–অমেরিকান মতৈ–মনাও অসিনা করিগী নুমিৎ ৪০০ লম্বীদা লৈরকখিবনো?

***ৱাসিংটন, ফব্রুৱরি ২২(এজেন্সি)ঃ***
ইন্দিয়ান–অমেরিকান এন্টর্প্রেনর অমনা হকচাংগী কয়াৎ–ওর্গান দোনেসনগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবা মালেমগী অকোয়বদা গাড়ডী থৌদুনা চৎল। মসি ২০১৪দা মহাক্কী মনাওনুপদা মহাক মশামক্কী কিদনি অদু দোনেট তৌখিবা মতুংদগীনি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

মহাক্কী কিদনি দোনেট তৌখিবা অদুগী মতুংদা অনিল শ্রীবষ্টবা হায়রিবা মীওই অসিনা 'গীফ্ট ওফ লাইফ এদভেঞ্চর' হায়বসি হৌদোকখি। মসি ওর্গান দোনেসনগী এৱ্যার্নেস শন্দোক্নবগী পান্দমদা ওভরলেন্দ এক্সপিদিসন সেরিজ অমনি হায়না রিপোর্ট অমদা ইন্দিয়া–ৱেষ্ট ন্যুজ পেপরনা হায়খি।

ঐগী ইনাওনুপাগীদমক ঐহাক্না তৌখিবা অদুগীদমক ঐনা হৌজিক চত্থরক্লিবা খোঙথাং অসিগী মরম অদুদি 'নুংশিবা' হায়বা অদুখক্তগী মরমদগীনি। ঐগী মততা নুংশিবা



হায়বা মরম অদু খক্তনা কনাগুম্বা অমনা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমদা মাগী ওর্গান কত্থোক্নবগী মরম অদুনি, নহাক্না হকথেংননা শকখঙনবা অদুগী নুংশিবা, নৎত্রগা মতৌনা মথৌ তারবা কনাগুম্বা শকখঙদবা অমদা মতেং পাংনীংবগী নুংশিবা অদুখক্তগী মরম্না নহাক্না নংগী ওর্গান অদু দোনেট তৌনবগী মরম অদুনি হায়না মহাক্না হায়খি।


মিষ্টর শ্রীবাষ্টবানা মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাক ৪৩দা মথং–মথং ফাওদুনা নুমিৎ ৪০০ হেন্না লম্বীদা লৈদুনা অমসুং মীওই ৭৩,০০০ হেনবদা মাগী ৱারী অদু লিদুনা কিলোমিটর ১০০,০০০ হেন্না গাড়ী থৌদুনা লাকখ্রে। মহাক অমসুং মহাক্কী লোনবী দীপাল্লিবু ফোঙ–ফোঙ শাবা ফমুং অমা অমসুং অশাবা চাক্লেন পীজাবিনবা কানগুম্বা মীওইশিং থেংনদ্রবদি মহাক্কী এদভেঞ্চর অসিদা মহাক্না মহাক্কী কার মনুংদা লৈগনি অমসুং চান–থক্নবা অদু থোঙগনি।

স্কুলশিং, কলেজশিং, রোটরি ক্লবশিং, কম্মুনিটি সেন্টরশিং অমসুং ওফিসশিংদা মহাক্না ঙাংখিবা ৱারোল চা কয়াদা শ্রীবাষ্টবানা কিদনি দোনেসন তৌবগী মতাংদা লৈরিবা অকিবশিং অমসুং ওর্গান দোনেসন তৌবদা মালেমগী অকোয়বদা খুদোঙথিহল্লিবা লিগেল অমসুং প্রোসিদিওরগী ওইবা ৱারোলশিং অদু শুগাইনা ঙাংখি।

অনিল শ্রীবাষ্টবানা ১৯৯৭–২০০৬তগী 'অনিল কী অৱাজ' কৌবা লিমকা বুগ ওফ রেকোর্দসকী সিন্দিকেটেদ রেদিও টোল্ক সো অমসু মহাক্না হোস ওইখি। মদু অমেরিকাগী মফম পুন্নমক্তা মীয়ান্না য়েংনখি।

হৌজিক অনিল শ্রীবাষ্টবানা চেরিটেবল ফাউন্দেসন অমা ওইরিবা 'গীফ্ট ওফ লাইফ এদভেঞ্চর'গীদমক ন্যু য়োর্কতগী অর্জেন্টিনা ফাওবা অনৌবা খোঙচৎ অমা মথঙগী থা মার্চতগী হৌগদৌরি।

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ ঃ
ꯑꯌꯦꯛꯄ ꯂꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯇꯔꯨꯛ ꯌꯥꯎꯔꯤ, ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯎ :



# চিনা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা নাবগী মশীং হন্থরকখ্রে, শিবগী অপুনবা মশীং ২,৩৪৫ য়ৌখ্রে




***বৈজিং, ফেব্রুৱরি ২২(এজেন্সি)ঃ***
চিনাদা অনৌবা কোরোনাভাইরস কোভিদ–১৯ লাইচৎতা শিবগী মশীং ১০৯ হেনগৎতুনা পুন্না শিবা মশীং ২৩৪৫ য়ৌরে হায়না ঙসি থাংজ নুমিৎতা নেসনেল হেল্থ কমিসননা হায়খ্রে।

ওফিসিয়েল ওইনা মমাঙগী নুমিৎতা নৌনা ৯০০ রোম নারে হায়না ফোঙদোকখিবা অদুদগী হন্থনা লৈবাক পুম্বগী ওইনা লাইচৎ অসিনা মীওই ৩৯৭ নৌনা নাহল্লকপগা লোয়ননা অনাবগী অপুনবা মশীং ৭৬,০০০ ওইরে।

মরকসিদা তমথিরবা ভাইরসকী লাইচৎ অসি লাক্সিনবদা শৌগৎপীরকপা অমসুং পুকচেন চাওবা উৎপীরকপগীদমক বিল্ল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসনদা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা থাগৎপা ফোঙদোকপা চিঠি অমা ইখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়ানা ঙসি থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী অঙনবদা লাইচৎ অসিদা গ্লোবেল রেস্পোন্সকীদমক বিল্ল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসনগী দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০ কৎলে ফোঙদোকখিবনি।

ঐহাক্না বিল্ল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসনগী পুকচেন চাওরবা থবক অমসুং অসিগুম্বা মরুওইরবা মীৎকুপ অসিদা চিনাগী মীয়ামদা অমত্তা ওইবা শৌগৎপা উৎল্লকপা নহাক্কী চিঠি অদু হকচিন্না থাগৎচরি হায়না চিঠি অদুদা প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা ইখি হায়না ওফিসিয়েল ন্যু এজেন্সি জিনহুৱাগী পাউনা হায়রি।

# কোরানাভাইরস শন্দোকপা লাকশিনবগী তাঞ্জা লৈশিল্লক্তেঃ দব্লিয়ু ঐচ ও

***জিনেভা, ফেব্রুৱরি ২২(এজেন্সি)ঃ***
কোভিদ–১৯ লাইচৎ মালেম পাকশন্না শন্দোরকপা লাক্সিনবগী তাঞ্জা অদু খুজিল্লক্লে হায়রদুনা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না তাঞ্জা অসি পুল্লপ মাঙখিদ্রিঙৈগী মমাঙদা খুৎলৈ থুনা থবক লৌখৎহৌনবা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা আপিল তৌখ্রে।



লাইচৎ লাক্সিনবগী তাঞ্জা অদু খুজিল্লক্লুম্বা য়াই হায়না ঙরাং ইরাই নুমিৎতা স্বিটজর্লেন্দগী জিনেভাদা শন্নপ্পা পাউদম অমদা ৱা ঙাংবদা দব্লিয়ু ঐচ ও ডাইরেক্টর জেনরেল টেদ্রোস অধানোম ঘেব্রিয়েসসকী ৱা পল্লদুনা জিহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

চিনাগী মপাদা লাইচৎ অসিনা নাবা অমসুং শিবগী মশীং থোয়না য়ামদ্রবসু অনাবা খরগী মতাংদদি চিনাদা চৎলুবগী নৎত্রগা অনাবা মী অমগা শন্নরুবগী থৌদোক লৈতবগুম্বা ময়েক শেংবা ইপিদেমিওলোজিকেল লিঙ্ক লৈতবা খরা য়াওরিবা অসিনা য়ান্না ৱানিংঙাই মশক ওইরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইরানদা হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা লাইচৎ অসিনা মীওই ১৮ নাখ্রে অমসুং মীওই ৪ শিখ্রে। ইরানদা মরী লৈনবা মীওই অমসু হৌজিক লেবাননদা নাবা থেংনরে, মসি য়েংলগদি ফিভম অসি য়ান্নমক নুংনাংনিঙাই ওইরি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ও চিফনা হায়খি।

অদুম ওইনমক লাক্সিনবগী তাঞ্জা অদু হৌজিক ফাওবদি থোঙ হাংলি হায়না মালেমগী হকশেলগী লুপ অসিগী লুচিংবা অদুনা থাজবা পীরি। হায়রিবা লাক্সিনবগী অপিকপা থোঙ অদু মপুং ফানা থিংজিনখিদ্রিঙৈগী মমাঙদা লাইচৎ অসি লাক্সিনবা থুনা থবক লৌখৎহৌনবা মহাক্না ফাইনান্সিং য়াওনা ইন্টরনেসনেল কম্ম্যুনিটিদা আপিল তৌখি।

ঙসি থাংজগী অয়ুক ফাওবদা চিনাগী মপানদা লাইচৎ অসিনা নারে খঙলবা মীশিং লৈবাক ৩০ হেনবদা থেংনখ্রে।

ইরান, জপান, সাউথ কোরিয়া, হোং কোং, ইতালি, ফ্রান্স অমসুং ফিলিপিন্সনচিংবা চিনাগী মপানদসু লাইচৎ অসিনা নাবদগী মী শিখ্রে।

# টালিবানগা ফেব্রুৱারি ২৯দা য়ান্ননবা য়ু এসনা থৌরাং তৌরি



***রিয়াথ, ফেব্রুৱরি ২২(এজেন্সি)ঃ***
অফগানিস্টানগী মফম পুন্নমক্তা ঙসি থাংজ নুমিৎতগী মচেৎ ওইরপ্পা চয়োল অমা শাংনা য়ানবা অমা লৈরগনি হায়না কাবুলনা ফোঙদোকখিবগী পুং খরগী তুংদা শাথিনা য়েংথিনবা য়ু এস অমসুং টালিবাননা ঙরাং অফগানিস্টানগী লান লোয়শিন্নবগী লম্বী অদু পীরগদবা ইতিহাসিক ওইরবা য়ানবা অমা সহি তৌনবা থৌরাং তৌরে হায়না লাওথোকখ্রে।

হিংশা হন্থহন্নবগীনি হায়রিবা য়ানরোল অদু করিগুম্বা থবক ওইনা চত্থবা তারবদি মদুনা মতম শাংনা চত্থরক্লিবা মুক্নবা অসিদা অচৌবা অওনবা অমা লাক্লগনি অমসুং য়ু এস লান্মীশিং লৈবাক অসিদগী তঙ্খাই অমরোম লৌথোকহল্লগদবা য়ানরোল অমগী ফিভমশিং অদু পীরগনি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও অমসুং টালিবান অনীমক অসিনা চয়োল অমগী মচেৎ ওইবা য়ানরোল অদুগী মখা তারকপতা কাটারগী কোনুং দোহাদা ফেব্রুৱারি ২৯দা চপ চাবা য়ানরোল অমা সহি তৌনবা হায়বসিদা মখোয়না য়ারে হায়না ফোঙদোকপা ষ্টেটমেন্টশিং থোকখি।

য়ানরোল অসি নকন অনীমক্না সহি তৌনদুনা মায় পাক্না থবক্তা ওন্থোক্লবদি টালিবান অমসুং অফগান গভর্ণমন্টেকী মরক্তা য়ান্না থুনা ৱারী শান্নবা হৌবা য়ারগনি হায়না পোম্পিওনা হায়খি।

ঙসি থাংজ নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা রিদক্সন ইন ভাইওলেন্স (আর আই ভি) হায়রিবা অসিনা মপুং ওইবা য়ানরোল অমা সহি তৌনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা টালিবাননা মখোয়গী ফোর্সশিং লাক্সিনবা অমসুং অফবা থাজবা উৎকনি।

মপুং ওইবা য়ানরোল অদু শহি তৌনরবদি অফগানিস্টানদা হৌজিক লৈরিবা য়ু এসকী লান্মী ১৩,০০০গী তঙ্খাই অমরোম পেন্টাগোননা লৌথোকখ্রগনি।

# ইরান ব্লেকলিষ্ট তৌখ্রে, পাকিস্টানবু গ্রেলিষ্টতা অদুম থমখ্রে

***পেরিস, ফেব্রুৱরি ২২(এজেন্সি)ঃ***
ইন্টরনেসনেল এন্টি–টেরোরিজম ফাইনান্সশিং নোর্মশিং ইন্দবগীদমক ইরানবু ফাইনান্সিয়েল মার্কেটশিংদগী অমক্কা হেন্না নাইতোম তাহল্লগদবা খোঙথাং অমদা ঙরাং ইরাই নুমিৎতা মালেমগী ওইনা অমোৎপা শেন য়েংশিল্লিবা লূপ অদুনা ব্লেকলিষ্ট তৌখ্রে।

অমরোমদা গ্লোবেল টেরর ফাইনান্সশিং ৱাটচদোগ এফ এ টি এফ অসিনা পাকিস্টানবুসু গ্রেলিষ্টতা অদুম থমখ্রে।

পেরিসতা লৈবা ফাইনন্সিয়েল এক্সন টাস্ক (এফ এ টি এফ)না টেরোরিষ্ট ফাইনান্সশিং কনভেন্সন থবক্তা ওন্থোক্নবা ইরানদা চহী ৩ হেন্না ৱার্নিং তৌরবা তুংদা লৈবাক অসিবু ব্লেকলিষ্ট তৌনবা ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি হায়না চয়োল অমা শাংবা প্লেনরি সেসন অমগী মতুংদা গ্রুপ অসিগী মেম্বর ৩৯না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

টেরোরিজমদা শেন থাদবগী মায়োক্তা নুমিৎ ৭নি চুপ্পা খন্নরবা তুংদা এফ এ টি এফকী প্লেনরি সেসন অদু ঙরাং ইরাই নুমিৎতা পেরিসতা লোইশিনখি।

লাক্লিবা জুন থা ফাওবগী মনুংদা করিগুম্বা পাকিস্টাননা মপুং ফাবা থবক অমা লোয়শিনদ্রবদি মদুনা মখোয়গী ব্যুজিনেসশিংদা ফত্তবা ফল তাহল্লক্কনি হায়না গ্লোবেল বোদি অদুনা পাকিস্টানদা ৱার্নিং তৌখি।

এফ এ টি এফনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না টেরর ফন্দিং তোক্নবা পাকিস্টানদা পীখিবা অকক্নবা মতমশিং অদু লোয়নমক মতম হেন্দোকখ্রে। অদুবু লৈবাক অসিনা য়াখিবা মতম অদু ফাওবগী মনুংদা থবক মপুং ফানা পাংথোক্লে।

লাস্কর–ই–টাইবা (এল ই টি) জৈইশ–ই–মোহমেদ (জে ই এম) অমসুং হিজবুল মুজাহিদীন গুম্বা ইন্দিয়াদা এটেক কয়া তৌবদা চেন্নরিবা টেরর গ্রুপশিং অসিদা ফন্দ থাদবা লাক্সিনবা পীখিবা থবক ২৭কী মনুংদা ১৪ খক পাকিস্টাননা পাংথোকখি।

জুন ২০২০ ফাওবদা ৱাৎহৌরিবা থবক অদু থুনা মপুং ফানবা বোদি অসিনা কন্না পাকিস্টানদা তকশিনখি।

সনা–সুদোকু – ৩৯৫ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 5 | 6 | 2 | 8 | 9 | 7 | 4 | 3 |
| 8 | 3 | 9 | 4 | 5 | 7 | 2 | 1 | 6 |
| 7 | 2 | 4 | 6 | 3 | 1 | 8 | 9 | 5 |
| 4 | 6 | 1 | 8 | 7 | 3 | 9 | 5 | 2 |
| 3 | 9 | 7 | 5 | 4 | 2 | 1 | 6 | 8 |
| 5 | 8 | 2 | 9 | 1 | 6 | 4 | 3 | 7 |
| 9 | 4 | 5 | 7 | 6 | 8 | 3 | 2 | 1 |
| 2 | 7 | 3 | 1 | 9 | 5 | 6 | 8 | 4 |
| 6 | 1 | 8 | 3 | 2 | 4 | 5 | 7 | 9 |

# শুরুংদা লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ঙা মেঘালয়াদা ফংলে



***সিলোং, ফেব্রুৱরি ২২(এজেন্সি)ঃ***
বাইওলোজিষ্টশিংনা মেঘালয়াগী জয়ন্টিয়া হিলসতা শুরুংদা লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ঙা অদু ওইরগনি হায়না থাজবা অদু মখোয়না দিস্কোভর তৌরে হায়না থাজবা ফোঙদোক্লি। খ্বাইদগী হেন্না চাওবা ঙা মখল অদু সেন্টিমিটর ৪০ হেন্না চাওই।

হায়রিবা ঙা অদুগী মমৈ অমসুং মশাইগুপ অদু ট্রান্সলুসেন্দ ওই অমসুং শুরুংদা লৈবা ঙা অয়াম্বগা মান্ননা মচু ঙৌই। ঙা অসি মমীৎ য়াওদে।

এদিনবর্গকী হেরিওৎ–ৱাট্ট য়ুনিভর্সিটিগী বাইওলোজিষ্ট ডোক্টর দি বি হেরিসনা মেঘালয়াগী জয়ন্টিয়া হিলসতা কেভিং এক্সপিদিসন অমা চত্থবদা ঙা অদুনা মহাক্কী পুক্লিং চিংশিনখি।

মহাক্না ঙা অদু হেক উবগা ৱাখল অমা খনবা হৌখি। মহাক্না বিস্কুটশিং অমসুং লাং অমগা লোয়ননা মথঙগী নুমিৎতা মফম অদুদা অমুক হন্না চৎখি।

কয়ারক হন্ন–হন্না হোৎনবদা ঙমদ্রবদা তুংদা ঐহাক্না ঙা অমা ফাননবা অচৌবা খাও অমদা বিস্কুটশিং হাপচিল্লগা মদু ঈশিংদা লুপহনখি। মদুদা সেন্টিমিটর ৪০দগী হেন্না চাওরবা অচৌবা ঙা অদু উবদা ঐহাক পুকঙক ঙকখি হায়না ডোক্টর হেরিসনা হায়খি।

অদুবু মতম অদুদা ঙা অদু হৌজিক ফাওবদা মালেমদা ফঙবা শুরুংগী ঙা অতৈদগী হেন্না চাওই হায়বসি ঐহাক খঙখিদে হায়না মহাক্না হায়খি।

অসিগুম্বা খঙলবা ঙা মখল ২৫০–গী চাংচৎকী অশাংবা অসি সেনিটমিটর ৮.৫ রোমনি। খ্বাইদগী হেন্না চাওবা ঙা ২খক্তমক সেন্টিমিটর ৩০ খরা হেল্লপ চাওই। অনী অদু মখোয়গী অশাংবগা য়েংনবদা ঙাপ্রুম মাল্লপ মশা পাই।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-396**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | | 2 | | | 8 | | |
| | 5 | | | 8 | 1 | 3 | | |
| 2 | | | 3 | | | | 5 | 1 |
| 1 | | 8 | 5 | | | | | 2 |
| | 2 | 4 | | 7 | | | | 3 |
| 5 | | 3 | | | 2 | | 4 | |
| | | 5 | 4 | 3 | | | 1 | |
| | | 6 | | | 5 | 4 | | |
| | 4 | | 8 | 1 | | | | |

GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 23/12/19
Sl. No. : 8320
Valid :18/12/19
Sl. No. : 7451
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Ereicha Indane**
Booking : 09/01/20
Valid : 05/01/20
Stk : 306
Time :07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Yairipok Gas Service**
Booking : 11/01/20
Valid : 05/01/20
Stk : 306
Time :07.00 to 10.00 a.m.

**Hrangchal**
Booking : 17/01/20
Valid : 14/01/20
Stk : 576
First Come First Serve

**Bashikhong Indane**
Booking : 23/12/19
Valid : 12/12/19
Sl. No : 17151
Stk : 306
Time :07.30 to 10.30 a.m.